জি এস টিগীদমক শেম শাবীয় ›› জুলাই ১, ২০১৭ তগী জি এস টি চৎনরগনি

নেসন টেক্স মার্কেট

তোয়না হংবা ৱাহংশিং

# জি এস টিগা মরী লৈননা তোঙান তোঙানবা সেক্তরশিংদগী হংনরকপা ৱাহংশিং কুপ্না য়েংশিল্লে অমসুং অতেনবা ফেকশিং ওইনা শেমদোক্লে ।

## অনীশুবা শরুক ওইনা, ৱাহং ৫০ অমসুং মখোয়গী পাউখুমশিং মখাদা পীজরি ।

## পার্ট – ২

| সে নং | ৱাহং | পাউখুম |
|---|---|---|
| | **রিটর্নস** | |
| ১. | মওং অমদা এদভান্স হাংদোরক্কদবা লৈরবদি এদভান্স রিসিপ্ত থিখিবা টেক্সকী মতাংদা করি করি তৌগদগে? | হন্দোরকপা এদভান্স অদু রিটর্নদা এদজষ্ট তৌবা য়াই। |
| ২. | জি এস টিদা রেজিষ্টর তৌরবা দিল্লরশিংনা রেজিষ্টর তৌদবা দিল্লরশিংগী পোৎ য়োনখিবগী অকুপ্পা মরোল অপলোদ তৌগদ্রা? | তৌফম থোক্তে। অদুবু লুপা লাক্ষ ২.৫০ গী ইনভোইস ভেল্যু হেনবা ইন্টর ষ্টেট সপ্লাইশিংগীদি মথৌ তাগনি। |
| ৩. | দিজিৎ মরিগী ঐচ এস এন কোদ চপ মান্নবা অদুবু টেক্সকী চাং খেন্নবা ফার্মাগী সপ্লাই অনী রিটর্নদা করম্না পূনশিনগদগে? | রিটর্নসতা রেট খুদিং অকুপ্পা মরোল পীরি। |
| | **সপ্লাই** | |
| ৪. | অপীকপা শেনফমদা ত্রাঞ্জেক্সন তৌবগী রিভর্স চার্জ খুদিংমক্কী জি এস টি লাইএবিলিটি দিসচার্জ তৌগদ্রা নৎত্রগনা অকক্লবা চাং লৈব্রা? | রেজিষ্টর তৌদবা মীওইদগী ফংবা সপ্লাইশিংগী মতাংদা নোংমগী লুপা লিশীং ৫ ফাওবা ইগজেম্প তৌনবা ৱারেপ লৌরে। শেনফম অসিদগী হেনবা সপ্লাইশিংদদি থাগী অপূনবা বিল হেনগৎলকপা য়াই। |
| ৫. | এফ এম সী জি কম্পেনিশিংনা কঞ্জুমরশিংদা লেন্না ফংহনবা প্রমোসনেল আইটেমশিংদা করি তৌগদগে? | অসিগুম্বা সপ্লাইগী ওইনা অপূনবা কন্সিদরেসন চার্জ খক্তদগী টেক্স লৌগনি। |
| ৬. | রেজিষ্টর তৌদবা সপ্লাইয়রগী অতোপ্পা ষ্টেটতা পি ও এস লৈরবদি জি এস টি এক্টকী ৯ (৪) কমদৌনা ইনগদগে? | ইন্টর ষ্টেট সপ্লাই তৌবা মীপূম খুদিংমক শুংশোয় শোয়দনা রেজিষ্ট্রেসন তৌগদবনি। মরম অদুনা অসিগুম্বা কেসতা সেক্সন ৯ (৪) চৎনরোই। |
| ৭. | রেজিষ্টর তৌদবা দিল্লরনা সপ্লাই তৌরকপদা লৈরিবা মীওই অদুনা আর সী এম বেসিসতা জি এস টি পীগদবনি। মরম অদুনা ইনটর্নদা পীবা ষ্টাইপেনসু আর সী এনগী মখাদা লৈগদ্রা? | ইনটর্নশিংদা পীবা ষ্টাইপেনদি এমপ্লোয়র-এমপ্লোয়িগী মরক্তা তৌবা ত্রাঞ্জেক্সননি। মরম অদুনা জি এস টি লৌবগী মথৌ তারোই। |
| ৮. | ইনকম টেক্স এক্টকী মতুং ইন্না পার্টনরসিপ ফার্মনা পার্টনরশিংদা পীবা সেলরিদগী জি এস টি লৌগদ্রা? | সেলরিদগীদি জি এস টি লৌবা মথৌ তাদে। |
| ৯. | সী জি এস টি এক্ট ২০১৭ কী সেক্সন ৯ (৪)। রেজিষ্টর তৌদবা ষ্টেসনরি দুকান্দগী লুপা ১০০ গী ষ্টেসনরি পোৎলম লৈবদা আর সী এমগী মখাদা পীবা মথৌ তাব্রা? | রেজিষ্টর তৌদবা মীওইশিংদগী লৈবা পোৎলমশিংগী মতাংদা নুমিৎ খুদিংগী লুপা লিশীং ৫ ফাওবদি ইগজেম্প তৌনবা ৱারেপ লৌখ্রে। |
| ১০. | এফ এম সী জি কম্পেনিশিংনা কঞ্জুমরশিংদা লেন্না পীবা প্রমোস্নেল আইটেমশিংদা করম্বা মিৎয়েং থমগদগে? টেক্স লৌবগী মথৌ তারবদি আই পি সী চৎনগদ্রা? | ফংলিবা সপ্লাইগী মতুং ইন্না টেক্স থিগদবনি। আই টি সীসু মদুগী মতুংইন্না চৎনগদবনি। |
| ১১. | দ্রমগুম্বা অমুক হন্দোকপা য়াবা পেকিং মেটরিএল সপ্লাই তৌবদা জি এস টি লৌগদ্রা? | সপ্লাই তৌবগী মমল অদুখক্তদগী জি এস টি লৌগনি। |
| ১২. | জি এস টিদা স্ক্রেপ দিসপোস তৌখিববু করম্না লৌগদগে? | বিজিনেস চাওখৎহন্নবগী পান্দমদা দিসপোস তৌখিবা তারবদি মদুবু সপ্লাই তৌবা ওইনা লৌগনি। |
| ১৩. | ঐহাক মহারাষ্ট্রগী কষ্টমর অমদা সার্ভিস প্রোভাইদ তৌবা এম পিগী মীওই অমনি। মহারাষ্ট্রগী সার্ভিস প্রোভাইদর অমদা ঐহাক্না থবক অসি শিন্নে। ঐহাক্না করি টেক্স থিফম থোকপগে? | জেনরেল ওইনা সপ্লাই অনী লৈগনি। এম পিগী সপ্লায়রনা মহারাষ্ট্রগী রিসিপেন্টতগী আই জি এস টি লৌগনি। অমরোমদা মহারাষ্ট্রগী সার্ভিস প্রোভাইদরনা এন পিগী রিসিপেন্টতগী আই জি এস টি লৌগনি। |
| ১৪. | পোৎ লৈরিবা মীওই অদু পঞ্জাবতগী ওইরবা অমসুং সপ্লাই তৌরিবা মফম অদু সপ্লায়রগী ষ্টেট (রাজস্থান) কা চপ মান্নরবদি আই জি এস টি লৌগদ্রা নৎত্রগা সী জি এস টি/এস জি এস টি লৌগদ্রা? | সপ্লাই তৌরিবা মফম অমসুং সপ্লায়রগী মফম চপ মান্নবা ষ্টেট ওইরবদি মদুবু ইন্ত্রা-ষ্টেট সপ্লাই ওইনা লৌগনি অমসুং সী জি এস টি/এস জি এস টি চৎনগনি। |
| ১৫. | সী জি এস টি-এস জি এস টি-আই জি এস টি হায়দুনা তোখায় তোখায়না শেল দিপোজিৎ তৌবা মথৌ তারিবা করিগীনো? জি এস টি ইনগী শেনফম সেক্সন ৩৯ গী মখাদা রিটর্নগী খুথাংদা এদজষ্ট তৌগদ্রা? | টেক্স অহুম তোঙান তোঙানবা লোগী মখাদা লৌবনি। মরম অদুনা তোঙান তোঙান্না পাবা মথৌ তাই। |
| ১৬. | আই টি সীগা মরী লৈননা ‘নিল রেটেদ’ ‘টেক্সেবল এট ০%’ অমসুং ‘ইগজেম্পেটেদ গুদস এন্দ সার্ভিসেস’ কী খেন্নবা করিনো? | ইগজেম্প সপ্লাইদা নিল রেটেদ (টেক্সেবল এট ০%) অমসুং নন টেক্সেবল সপ্লাই য়াওই অমসুং অসিগুম্বা সপ্লাইশিংদা আই টি সী য়াওদে। |
| ১৭. | মহারাষ্ট্রদা জি এস টি চৎনরবা মতুংদা প্রোফেসনেল টেক্স মুখৎকদ্রা? | প্রোফেসনেল টেক্স হায়বসি পোৎ চৈ সপ্লাই তৌবা নৎত্রগা সার্ভিসতা লৌবা টেক্স নত্তে। শিনফম অমদা লৈরুবগী লৌবনি। জি এস টিদা প্রোফেসনেল টেক্স য়াওদে। |
| ১৮. | এমপ্লোয়রনা বস সার্ভিস, মিল কোপন, য়ূমগী টেলিফোন পীরি। ওফিসিএল অমদি মশাগী শীজিন্নবা গাড়ী পীরি। য়ুনিফোর্ম অমদি খোঙউপ পীরি। মসিদা জি এস টি লৌগদ্রা? | খুদোল ওইনা পীবা তারবদি জি এস টি লৌরোই। অদুবু শেনবা চহী অমদা লুপা লিশীং ৫০ দগী হেনবা তারবদি জি এস টি লৌগনি। |
| ১৯. | সেক্সন ৮ গী মখাদা কম্পোজিৎ সপ্লাইগী দিফিনিসন অমসুং দেসক্রিপসন খেন্নে। শন্দোক্না তাকপীয়ু। | সেক্সন ২ (৩০) না কম্পোজিৎ সপ্লাই কদাইবু কৌগদগে হায়বা শন্দোক্না তাক্লি। অমরোমদা সেক্সন ৮ না হায়রিবদি কম্পোজিৎ সপ্লাইদা টেক্স রেটনচিংবা পূম্নমক প্রিন্সিপাল সপ্লাইগী ওইগনি। |
| ২০. | স্লম্প সেলদা জি এস টি লৌগদ্রা? করিগুম্বা লৌরবদি করম্বা সেক্সনগী মখাদনো? | নোর্মেল সপ্লাইগা চপ মান্ননা লৌগনি। |
| ২১. | ইনকম টেক্স এক্টকী মতুং ইন্না পার্টনরসিপ ফার্মনা পার্টনরশিংদা পীবা সেলরিদগী জি এস টি লৌগদ্রা? পার্টনরশিং ফার্মগী এমপ্লোয়ি নত্তে। | সেলরিদগী জি এস টি লৌরোই। |
| | **ত্রাঞ্জিসন** | |
| ২২. | ত্রাঞ্জিসন ক্রেদিট কমদৌনা ফংগদগে? | ত্রাঞ্জিসন রুলসকী মখাদা মরী লৈনবা ফোর্মশিং নেমনশিল্লগা ত্রাঞ্জিসন ক্রেদিট ফংগনি। |
| ২৩. | য়ু কে অমদি ঐচ পিদা এরিয়া বেজ ইগজেম্পসন ৫০/২০০৩ ময়েক শেংনা উৎপীয়ু। | জি এস টিগী মখাদা এরিয়া বেজ ইগজেম্পসন মখা তানা লৈররোই। অপীবা রিএম্বর্সমেন্ট রুটকী খুথাংদা ওপরেট তৌগনি। |
| ২৪. | ঐখোয়না এক্সাইজেবল গুদস পুথোকই। অদুবু ৫০/২০০৩ য়ুনিটকী ইগজেম্পসন বেনিফিট ফংই। ঐহাক্কী দিল্লরশিংগী ষ্টোক্কী মতাংদদি কমদৌবা? | দিল্লরনা জি এস টিদা অসিগুম্বা গুদস সপ্লাই তৌবগী মতুং ইন্না সী জি এস টিগী চাদা ৪০/চাদা ৬০ গী চাংদা ক্রেদিট ফংগনি। ব্রান্দেদ ওইবা পোৎলম ওইবগা লোয়ননা লুপা লিশীং ২৫ গী ভেল্যু হেল্লবদি সী টি দি শীজিন্নরগা ফুল ক্রেদিট ফংগনি। |
| ২৫. | টর্নওভর ক্রোর ১.৫ য়ৌদবা মরম্না এক্সাইজদা রেজিষ্টর তৌদবা মেন্যুফেকচররদগী ত্রেদর অমনা পোৎ লৈবা মতমদা ত্রেদরনা ষ্টোক্তা আই টি সী চাদা ৪০ ফাওবা লৌবা য়াব্রা? | অপীবা কন্দিসনশিংনা য়ারবদি ক্রেদিটকী খুদোংচাবা লৈগনি। |
| ২৬. | ত্রেদর অমনি। ঐহাক্কী এক্সাইজনা পীবা পর্চেজ ইনভোইস লৈ। কুমজা ২০১৭ কী জুলাই ১ দা ষ্টোক ক্লোজ তৌবদা ফুল এক্সাইজ দ্যুটি ক্লেইম তৌবা য়াগদ্রা? | জি এস টি এক্টকী সেক্সন ১৪০(৩) না পীবা কন্দিসনশিংগী মখাদা এক্সাইজ দ্যুটি পীখিবগী দোক্যুমেন্টকা মরী লৈননা খূৎতা লৈবা ষ্টোক্কী ফুল ত্রাঞ্জেক্সন ক্রেদিট ফংগনি। |
| ২৭. | এক্সাইজগী দোক্যুমেন্ট পায়বা ত্রেদর অমনা মেনুফেকচররদগী হকথেংননা লৈবা মতমদা মহাক্না ফুল এক্সাইজ ক্রেদিট ফংগদ্রা নৎত্রগা জি এস টিগী চাদা ৪০ ফংগদ্রা? | জি এস টি এক্টকী সেক্সন ১৪০(৩) না পীবা কন্দিসনশিংগী মখাদা এক্সাইজ দ্যুটি পীখিবগী দোক্যুমেন্টকা মরী লৈননা খূৎতা লৈবা ষ্টোক্কী ফুল ত্রাঞ্জেক্সন ক্রেদিট ফংগনি। |
| ২৮. | করিগুম্বা এফ এস দি (ফার্ষ্ট ষ্টেজ দিল্লর) না মেন্যুফেকচররদগী হকথেংননা লৈরবা অমসুং মহাক্কী ভেল্যু কম এক্সাইজ দ্যুটি লৈরবা লোয়ননা এক্সাইজ দ্যুটি তোখায়না উত্তবা থোক্লবদি মহাক্না ফুল ক্রেদিট ফংগদ্রা? | জি এস টি এক্টকী সেক্সন ১৪০(৩) না পীবা কন্দিসনশিংগী মখাদা এক্সাইজ দ্যুটি পীখিবগী দোক্যুমেন্টকা মরী লৈননা খূৎতা লৈবা ষ্টোক্কী ফুল ত্রাঞ্জেক্সন ক্রেদিট ফংগনি। |
| ২৯. | মেনুফেকচররদগী হকথেংননা লৈবা অমসুং ইনভোইসতা তোখায়না এক্সাইজ উৎপা ত্রেদরশিং ফুল এক্সাইজ ক্রেদিট ফংগদ্রা? | জি এস টি এক্টকী সেক্সন ১৪০(৩) না পীবা কন্দিসনশিংগী মখাদা এক্সাইজ দ্যুটি পীখিবগী দোক্যুমেন্টকা মরী লৈননা খূৎতা লৈবা ষ্টোক্কী ফুল ত্রাঞ্জেক্সন ক্রেদিট ফংগনি। |
| ৩০. | জুন ১৭ কী ভেট রিটর্নদা শেনফম অমত্তা ফোরৱার্দ তৌদ্রবা অমসুং লুপা লাক্ষ ৫০ গী ষ্টোক লৈবা থোক্লবদি ষ্টোক অদুগী ক্রেদিট লৌবা য়াগদ্রা নৎত্রগা য়ারোইদ্রা? | সপ্লায়রনা জুন ১৭ কী ভেট রিটর্নদগী আই টি সীগী ক্লোজিং বেলেন্স ফোরৱার্দ তৌবা য়াগনি। |
| ৩১. | জুলাই ১ দা ভেট পীখিবা থোক্লবদি ক্লোজিং ষ্টোক্কী ইম্পেক্ট করি ওইগদগে? | সপ্লায়র অদু মমাঙগী ভেট রিটর্নদগী অসিগুম্বা ষ্টোক্কী আই টি সী ফোরৱার্দ তৌনবগী খুদোংচাবা ফংগনি। |
| ৩২. | জুন ১৭ কী ভেট রিটর্ন রিফন্দ ক্লেইমদা জি এস টিগী বেলেন্স ক্রেদিট লৈত্রবদি ফোর্মস সী পীশিনবদা করি কান্নগদগে? | চৎনরিবা লোগী মখাদা রিফন্দ ক্লেইম তৌরকপদা লোগী প্রোভিজন মতুংইন্না য়েংশিনগনি। ত্রাঞ্জিসন রুলসগী রুল ১ (১) গী প্রোভিজন মতুংইন্না ফোর্মস সী পীশিনগদবনি। |
| ৩৩. | কুমজা ২০১৭ কী জুন ২৮ দা সার্ভিস পীখ্রগা কুমজা ২০১৭ কী জুলাই ৫ দা ইনভোইস পীগদবা তারবদি সার্ভিস টেক্স নৎত্রগা জি এস টি লৌগদ্রা? | অকক্লবা নুমিৎতগী টেক্স লৌফম থোক্লবদি হায়রিবা নুমিৎ অদুগী মতুংদগী জি এস টি লৌগদবনি। |
| ৩৪. | জি এস টি চৎনরবা মতুংদা কেপিটেল গুদস পুথোক পুশিন তৌবা অমদি লৌবদা ক্রেদিটকী খুদোংচাবা লৈগদ্রা? | জি এস টি লোদা অসিগুম্বা ক্রেদিটকী প্রোভিজন য়াওদে। |
| ৩৫. | ত্রাঞ্জিসন দেটতা হান্নগী পেন্দিং লৈহৌবা ভেট বেলেন্সকী মতাংদা করি তৌগদগে? | কুমজা ২০১৭ কী জুনগী রিটর্নদা ভেট ক্রেদিটকী বেলেন্স অদু এস জি এস টি ক্রেদিটতা ত্রান্সফর তৌগনি। |
| ৩৬. | ফোর্ম ঐচকী মায়োক্তা কমদৌনা এক্সপোর্ট তৌগদগে? | জি এস টিদা ফোর্ম ঐচ লৈররোই। |
| ৩৭. | কুমজা ২০১৭ কী জুন ৩০ দা ষ্টোক ক্লোজিং তৌবদা লৈবা টেক্সকী খেন্নবা কনানা পুথোক্কদগে? মেনুফেকচরর/দিল্লর নৎত্রগা গভর্ণমেন্টনা পুথোক্কদ্রা? | ভেট রিটর্নগী ক্লোজিং আই টি সী জি এস টিদা ফোরৱার্দ তৌবা য়াহনগনি। |
| ৩৮. | অতোপ্পা ষ্টেট, এক্সাইজ সী এস টি অমদি এন্ত্রি টেক্স পীখ্রবা মতুংদা খূৎতা লৈহৌবা ষ্টোক্কী ইনপুট ক্রেদিট কমদৌনা ফংগদগে? | সী জি এস টি/এস জি এস টিনা পীখিবগী দোক্যুমেন্ট লৈরবদি ইনপুট ক্রেদিট ফংগনি। অদুবু সী এস টিগী ক্রেদিটতি ফংলোই। |
| ৩৯. | টর্নওভর ক্রোর ১.৫ য়ৌদবা মরম্না এক্সাইজদা রেজিষ্টর তৌদবা মেন্যুফেকচররদগী ত্রেদর অমনা পোৎ লৈবা মতমদা ত্রেদরনা ষ্টোক্তা আই টি সী চাদা ৪০ ফাওবা লৌবা য়াব্রা? | ত্রাঞ্জিক্সন রুলগী সেক্সন ১৪০(৩) না পীবা কন্দিসন্না য়ারবদি খূৎতা লৈবা ষ্টোক্কী দিম ক্রেদিট ফংগনি। |
| ৪০. | লম্বীদা লৈরিবা অমসুং জি এস টি চৎনরবা মতুংদা ফংবা কেপিটেল গুদসকী পীখিবা টেক্সতা ক্রেদিটকী খুদোংচাবা লৈগদ্রা? | জি এস টিদা অসিগুম্বা প্রোভিজন অমত্তা য়াওদে। |
| ৪১. | জি এস টিগী মখাদা স্বাছ ভারতকী আই টি সী নৎত্রগা ক্রিসি কল্যান সেস ফোরৱার্দ তৌবা য়াগদ্রা? | য়ারোই। |
| ৪২. | মেত্রিক টন অমদা লুপা ৪০০ গী চাংদা কোইলা ইম্পোর্ট তৌবদা ফংবা ক্লিন ইনর্জি সেস জি এস টিদা মখা তানা চৎনখিগদ্রা? | চৎনরোই। ক্লিন ইনর্জি সেস লৈররোই। অদুম ওইনমক কোইলা টন্দা লুপা ৪০০ গী চাংদা কম্পেন্সেসন সেস পীবগী খুদোংচাবা লৈগনি। |
| ৪৩. | কুমজা ২০১৫ গী মার্চ ১ মমাঙদা এদ্যুকেসন সেস অমদি সেকেন্দরি অমসুং হায়র এদ্যুকেসন সেসকী ক্লোজিং বেলেন্স জি এস টিদা ফোরৱার্দ তৌবা য়াগদ্রা? | য়ারোই। সী জি এস এক্টকী সেক্সন ১০৪ গী মখাদা ইলিজিবল দ্যুটিজ অমদি টেক্সকী দিফিনিসন্না কভর তৌদবা মরম্না জি এস টিদা ফোরৱার্দ তৌবা য়ারোই। |
| ৪৪. | ক্লোজিং ষ্টোক্তা ৪০% বেনিফিট পীবগী ৱাফম চহী অমগী লিমিট লৈগদ্রা নৎত্রগা লৈরোইদ্রা? | চহী অমগী মনুংদা লৈবা ষ্টোক খুদিংমক্কী দিম ক্রেদিট লৈগনি। |
| ৪৫. | ত্রাঞ্জিসন ক্রেদিট করম্বা মতম ফাওবা ফংগদগে? কদাইদা ইনপুট ষ্টোক দিক্লর তৌগদগে? | অপীবা মতমদগী পারগা থা অহুমগী মনুংদা ত্রাঞ্জিসন ক্রেদিট ফোর্ম দিক্লর তৌগদবনি। হেন্না অকুপ্পা মরোলগীদমক ত্রাঞ্জিসন রুল য়েংবা কান্নগনি। |
| | **য়ু টি জি এস টি** | |
| ৪৬. | মমাঙদা ভেট লৈখিদবা এ এন্দ এন আইলেন্দদা জি এস টি চৎনগদ্রা? | হোই। এ এন্দ এন মনুংদা সপ্লাই তৌবগীদমক সী জি এস টি অমদি য়ু টি জি এস টি চৎনগনি। |
| | **অতৈশিং** | |
| ৪৭. | হায় সী সেলসতা আই জি এস টি অনীরক লৌগদ্রা? অহানবদা আই সী সেলসতা অমসুং অনীশুবদনা কষ্টম ক্লিয়ারেন্সতা লৌগদ্রা? অমদা পীখিবা আই জি এস টিবু আই টি সী ওইনা ফংগদ্রা? | ইম্পোর্ট তৌবদা আই জি এস টি অমুক্তং লৌগনি। |
| ৪৮. | জি এস টিদা ক্রিসি মন্দি ফী (য়ু পিদা লৌরম্বা) কোকপীগদ্রা? | জি এস টিদা অসিগুম্বা মখলগী ফীগা মরী লৈনদে। |
| ৪৯. | কুমজা ২০১৭ কী জুলাই ১ দগী ঈ-ৱে বিল চৎনরগদ্রা? | ঈ-ৱে বিলগী প্রোসিজর ফাইনেলাইজ তৌদ্রিফাওবা হৌজিক ষ্টেটশিংদা চৎনরিবা ঈ-ৱে বিলগী সিষ্টেম মখা চৎনখিগনি। |
| ৫০. | এন্টি প্রোফিটিয়ারিং লোগী সনসেট ক্লোজ লৈব্রা? | হোই। এন্টি প্রোফিটিয়ারিং লোগী সনসেট ক্লোজদি চহী অনীনি। |

দিসক্লেমর : মথক্তা পীরিবা পাউখুমশিং এদ্যুকেসন অমসুং গাইদন্সকীদমক ওইননি অমসুং লিগল ভেলিদিটি লৈরোই।

অকুপ্পশিংগীদমক http://www.cbec.gov.in/resources//htdocs-cbec/gst/tweet-faq.pdf তা য়েংবিয়ু

davp 15502/13/0068/1718

*লৈবাক অমা শেম্মী, টেক্সশিং থীনরবা মতমদা*

*ঐখোয়দা ত্বিট তৌবিরকউ @askGST_GoI দা জি এস টি গা মরী লৈনবা ৱাহং খুদিংমক*

সেন্ত্রেল বোর্দ ওফ এক্সাইজ এন্দ কষ্টমস এন্দ কম্মর্সিয়েল টেক্সেস দিপার্টমেন্টস ওফ ষ্টেটস/য়ুনিয়ন টেরিটোরিস
www.cbec.gov.in